# হায়স লুদৌরিদা, থুম ফংখিদ্রদি কমদৌবা!... ফাথবা লুরপ থোক্লা কাঙলক্লিবা ঐগী মীহুল্লক্তা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

চীনহায় ৱা ওইনা হেক হেক হায়নৈ অসুম্না - ***মণিপুর তম্পাক্তা লৈবা মীওইশিংদি মরু ওইনা মীতৈশিংদি ঙায়োক চফূদা লৈবা ঙাগা অঙ্খানি, ফানীংবা মতমদা ফাবা য়াবা।*** মসিগী ৱাহৈশিংসি হেক হায়রকপগা মীহুলসি হেক্তমক কাঙলকই। হায়রক্লিবদুদা তাননীংই। খনখি, কৈদৌনা অদুক য়াম্না তোন্থজরুনি। মায়কৈ ঙাকপা লাইনিংথৌশিং - থাংজিং, কৌব্রু, মার্জিং, ৱাংব্রেননা চীংজাউশিংদা মশাইকোন লিংদুনা মশেক মঙাল নাইনা ঐখোয়বু ঙাকপী-শেনবীরিঙৈসিদা কনাবুনো ঐখোয়না কিরুগদবা। অদুবু হন্দক্তি খোয়রাংলকই খোয়শাওনৈ। খল্লোইদবা ৱাখল জাৎ-জাৎ খল্লকই। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা ঐখোয়গী মায়কৈ মরি শুংদাই নিপালমক চয়েৎ খোয়েৎনবগুম তৌরক্লি। নোংপোক থোঙসু, নোংচুপ থোঙসু থিংখিবগী অকিবা লৈরক্লি। ইশাগী রিছোর্স লৈনা-লৈনা মীপান তাংদুনা হিংবগী হৈনবী মচু শঙজিনখ্রবা ঐখোয়গী কোক্লি। থৌদোক অমা থোকপদা নেসনল হায়ৱেশিং থিংবগা ইমা ইমা কোইচেন চেনবগী ফীভম য়ৌরিবনি। করিগুম্বা মতমদা হীরম খরদা মৰৈ য়েৎনবসু য়াওখি। অসুম্না হায়রকপা ইরৈচা কয়াসু য়াওখি, ***‘য়েত্তুম অমা ফাওবা শাবা হৈতবা ঐখোয়না কমদৌনা ইরোমদোম হিংদৌরিনো?’***

জিরিদা ওইরকখিবা ফীভমগা মরী লৈননা খল্লি অসুম খল্লি, কোক শান্নৈ। ৱাখলসিনা মার-মারদুনা থিগৎলুই, মীপান তাংদবীদা ইরোমদোম হিংবা ঙম্ননবা কদাইদা করি লৈবগে হায়না। মোন্দ্রং শাগৎলি মরী-মরী মথং-মনাও নাইনা। য়োৎশুং-য়োৎশাগী লাইনিংথৌ খল্লাংবগী মচা মশু ওইবা ককচীং কাঙলূপকী মীওইশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমদা খুন্দারিবা ইরমদম্লি। য়োৎশুং-য়োৎশাগী থবক মতমগা চুনবা মওংদা হিংগৎহনবা য়াই। পাৎ মরাং কায়বা মফম্নি, লৈঙাক অমদি মীয়াম্না পূক্লিং চঙনা হোৎনরবদি ঙাগী অৱাৎপা লৈহন্দবা য়াই। অসুম্না ফিশা-লোনশা, লীমোন, চিনি, চে, চেক্লচিংবা মখল-মথেল ইন্দষ্ট্রি ময়াম মায় পাকহনবা য়াই। চেঙনা মপূং ওইবা চীঙ্গাক ওইবা লমদম্লি। লৌবুক হায়র পাক চাউই। ঈথৈ-লৌখোং মতিক চাহনবীরবা, লৌমীশিংগী পূন্সিবু মনুং হঞ্জিন্না উবীবা ঙল্লবা অমদি শিনফমগী খেন্নবা ৱাখল মীৎয়েং থাদোক্লবদি লৌউ-শিংউবগী থবক অমদি পোখোক্কীদমক্তি নুংনাংফম থোক্তবরা খল্লি। লৌরোক অহুল্লক লোক্লদবু ফৌ-চেঙ, হৱাই, আলু-তিল্লৌ, চনম, অচাথাওনচিংবগী অৱাৎপা লৈখিদরা?

লমদমসিগী লৈবাক লৈহাওগা চুনদবা করম্বা হৈ-রাবু লৈরিবগে? ইমা লৈবাক্কী অপূনবা শক্তমদা শীংনরিবা মীওই খরগী মীত্রং লীলানা মরম ওইদুনা মচু শঙজিন্নবা হোৎনরক্লিবা ***ঐখোয়গী চীং*** হায়বা মথোঙ হুক্ত্রবা ৱাখল্লোন অসি তকথোক নাম্থোক্তুনা চামথোকপগী মথৌ তারক্লে। মদু ওইরবদি চীংলৈবাক্তা চুনবা সিমেন্ট ইন্দষ্ট্রি মায় পাক্লা লিংবা য়াই। লমদম অসিগী চীংলৈবাক্তা সিমেন্টকী চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না সিমেন্ট ফেক্টরি লিংবদা মায় পাক্কনি হায়বগী ৱাফম লৈ। চুম্বা লানবদি খঙদে, হুন্দুংগী সিমেন্ট ফেক্টরিনা মায় পাকখিদবদি মফম তায়ওন্নবগীনি হায়নৈ। মসিখক্তগী ৱা নত্তে কোমলা, চমপ্রা, হৈগ্রু, হৈতুপ, কিহোম্নচিংবা হৈ-রা মখল-মখল পুথোকপগী খুদোংচাবা লৈরিবনি। লম্বী থোং মতিক চাদবা অমদি কোল্ড ষ্টোরেজগী খুদোংচাবা ফংদবনা হৈ-রা কয়া পৎ-পুমদুনা মাঙখিবগী ৱাফমসু তাজখি। লমদমসিদা লিংখৎখিবা ইন্দষ্ট্রি অয়াম্বা মায় পাকখিদবগী মরমসি লৈঙাক্কী পোলিসি শোয়বা, লমগী ষণনা মচি শাংবগী ৱাখল্লোন অমদি মীপান তাংবগী হৈনবীনচিংবনসু ওইরম্বা য়াই। মোন্দ্রংসিনা মরম ওইরগা থৱায়সি খংচাউ চাউথোকচৈ। খল্লি- ***ঐখোয় কৈসু ৱানীংঙাই লৈতে, ইরোমদোম হিংবা হায়রিদো ইরায় লায়পোৎনি।***

মোন্দ্রংগী তেঞ্জৈ পেক তেকখি, থংনবা মীৎকুপ্তা। খংপ্রেক খংই, ইপা পাখৎলি - ***থুম ফংখিদ্রদি কমদৌবা!*** ফনা কুইনা মঙলগা লৈ। অদুবু খংনীং নীংশিংলকই - থায়না মমাঙঙৈদো ঐখোয়গী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা থুমখোং মরাং কায়না লৈরম্বগী খুদম চাংদম ওইবা অরিবা লাইরিক ***‘থুমখোংলোন’***। ওজা চনম হেমচন্দ্রনা মীতৈ ময়েক্তগী বেঙ্গলী ময়েক্তা ইথোকপনি। পনবীরিবা থুমখোংশিংগী মনুংদা লাঙ্গোলদা লৈবা থুমখোংগী মতাং থমজগে- ***লাঙ্গোলদা লৈবা খোং হায়কে। খোং ৪ নে। খোং অনীতি লুৱাং নিংথৌ পুলসিবানা। য়ূমমোইবানা। তওবা খোংনে। ২ মাতী। খ্বাই লুৱাইবানা তওবা খোংনে। মাঙাঙ গুরুনা পীবা খোংনে। আদুদা য়ীরুবা ফংজারাবাতী পুনসিয়ে। লাইথুঙ কোকয়ে খংওঁ। খোং ২ মাতি থুমখোংনে। চিঙয়াইদা লৈয়ে। মফম অদুকি থুম চারাবদি লৈপাক নিংথৌ নুংঙাইয়ে। সক চু থোকয়ে।*** মতৌ অসুম্না লমদম অসিদা থুমখোং ময়াম অমা লৈরম্বগা লোয়ননা থুম শুংবগী থবক চথদুনা শীজিন্নরম্মী হায়বগী ময়েক লারবা খুদম্নি। লমদম অসিদা কংফালগী থুমখোং অমসুং ঈশিংগী থুমখোং লিশীং মরিগী মথক্তা লৈরম্মী হায়বগী ৱাফম ইথোকপীরিবগী মশাগী ৱারোলদা থম্বীরি। থবক অসি চাওখৎনবা অমদি মায় পাক্লা চত্থনবা থুমলৈমা লাইরেম্মবু ঈৱাং থৌনিজরম্মী হায়বগী ৱাফমসু য়াওরি।

লমদম অসিদা ফংলম্বা থুম ইচম চম্না পুথোক্লম্বা নত্তে। ঐখোয়গী পূন্সি মহিং, লাইনিং-লীচৎ অমদি নাৎ-কলচরগা লীপক্লদুনা লাকখ্রবনি। শমজিল্লবদা ঐখোয়গী লাইথৌ-তীনথৌগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা মৈতৈ থুমপাক্লা অচৌবা মফম কন্দুনা লাকখিবদু ঙসি ফাওবা মৈনা ৱায় তাংনা শম চত্থরি। থুমখোং শেম্বসু ইরায় লায়না হেক্তমক শেম্বা য়াদে হায়বগা মরী লৈনবা মতাংনি - ***য়ীরাই নুমিত্তা থুমলৈমানা লৈয়ে। খোং হুকহৈদে। সাগোলসল নুমিৎতা। খোং হুকওঁ।*** করিগুম্বা মতমদা থুমখোংশিংনা থুম থোক্ত্রবদি সলাই তরেৎকী খোংশিংদা লাইরেম্মা তরেৎ অমসুং লাইপুথৌ মাপনবু শোন্দুনা ঈৱাৎ থৌনি পাঙথোক্লম্বগী মতাং য়াওরি। ঈৱাৎ-থৌনিগী পোৎচঙশিংদি ইরোই অঙৌবা, কাংঙা অঙৌবা, খুনু অঙৌবা অমসুং য়েন অঙৌবনি। মৈদিংঙু পাইখোম্বনা থুমখোংশিংবু শেমগৎপগী ৱাফম থেংনৈ। মীগী মী ঙাক্তা ঙায়রবা ইরমদমনি। য়েলহৌমীদি থম্বু থমখো, মীতোপ মীরানচানা নাকোয়-শীংগোয়রবা লমদম্লি। থায়না ইপা ইপুশিংনা শেমগৎপীরম্বা থুমখোং ময়ামদু শেমগৎলবসু কোন্নবৈ ৱা লৈতে। অদুবু অৱাৎ-অপা খরদসু মেন্নগনি খল্লি। কদোমদগীনো খঙহৌদে মোন্দ্রঙদু অমুক হন্না ফেনজিল্লকই - ***অসুক তোন্না থৱায় পাইথোক্কে তৌনা হিংদৌ শরুক চারবসু চাদ্রবসু পাঙ্গল থোক্লা হিংবদি কমদৌবা। মীঙোন্দগী নিরগা চাবদৌনা হিংবসি নুংঙাইতেদা। ইন্টরনেটকী মহাউ অমদি ঙসি ঐখোয়না ফংলিবা খুদোংচাবা ময়ামসি ফংবা ঙমজখিদবা ইপা ইপুশিংনদি নীং-খা তম্না হিংজবা ঙম্নবা লম্বী য়াৎপীরম্মী। ঙসিদি অখঙ অহৈতনা পৃক-পৃক শৌরবা ইরমদম্লি। মীগী য়াকা ঙাইদবীদা পাঙথোক্লিংবা থবক ইনিং তম্না পাঙথোকপা অমদি শেম্নীংবা থৌশিল অথিং-অরাক য়াওদনা শেম্বা ঙম্বা ঙমদবা হায়বদু ঐখোয়গী খূত্তা লৈরে। অদুবু ঐখোয় মঙলাক্লরি। মীৎকপ থোকপা মতম ওইরক্লে। নৎত্রবদি ঐখোয়গী তুংগী লাইবক কমদৌবা হায়বসি পাউখুম পীফম খঙদ্রবা ৱাহং ওইগদৌরি।*** ●

# হৌজিকপু করি খন্নরিবগে

- নবকুমার ওইনা -

চেনা অসিদা লৈবাক নীংবা শাবসি হঙ্গোয়বা অমদি ফাওজৈ। করি তৌগনি খঙলক্তবা অসিদা ইশাসি পায়রগা য়েংজৈ, ঐসিবু মী কৌবা য়াখিদরা খল্লকই। ইতোমতা থাজবা ঙম্লক্তে, অসি য়ৌনা শোন্থখরে, ৱাখলদা শোন্থবা খাম্বা ৱারে, চঙশি শিরবা হায়বদুনি।

ঙসি ফাওবগীদি লান্নি হায়নরিবসি লোইশিনবগী ৱাফম তানদ্রি। লোইশিল্লু হায়না থৌদাবগী ৱাফম ওইনা লৈরি। লান ওইনা লৌবা য়াদে হায়বসু য়াওরি, লম হেনবগী ৱাথোক হায়বদুদি ওইরে হায়রে। নোংমদা ওইরকপা ৱাথোক নত্তে হায়বসু খঙনৈ, করি করম্না ওইরকপা হায়বদুদি ময়েক শেংনা ঙাঙনবা ঙম্নদ্রি হায়গনি। মরমদি অফোংবা থৌওং কয়া উনা-উনা খঙদে, লৈঙাকসু-মীয়ামসু উশিন্নদে হায়বা ঙসিতা খঙনরকপগুম ঙাঙনরক্লি। অমনা অমদা তায়নবা ময়ামসিনা ৱারিগী লিখুন খঙবা ঙল্লক্তবা য়াওরি। পূম্নমক্লা অচুম্বা শারগা ঙাঙনৈ। অরোনবা ৱাফম অয়াম্বা ঙসিতা খঙনরকপগুম পন্নরক্লি। ৱাহৈনা ফোঙদোক্তনা থবক্লা তাক্লকপসু ময়াম অমা উনরক্লি। মী হায়বসি মীনম্বা য়াবা, পুক শেংনদবা শাজৎ কয়া হৈবা, মীনম্লগা নমথনবা ৱাথোক কয়া লৈঙাক পায়বশিংনা তৌখি হায়বগী ৱাফমসু য়াওরি। মরোল-মরোল ননশিনখিবনা ঙসিদি ময়েক শেংনা খঙবা-উবা ঙমদবা কয়াসু লৈরি। ময়ামদুগী মহয় চাবা ওইনা ঙসিগী ৱাথোকসি লাকপনি হায়বদি চুমগনি। মীনা উশিৎলক্তবা অসিগী মমাঙদা লৈবাক মনুংগী ৱাথোক কয়া লোইশিনবা ঙমহৌদবদগী হেন্না চমম্নবা ৱাথোক ওইরকপা অসিনা মীয়াম্না খঙবা ঙমহৌদবা ৱাফম কয়াসু য়াওরক্লি।

কনা অমনা লৈবাক মনুংগী ৱা ওইনা লৌই, খরা অমনা মপানগী খূৎনেক য়াওই হায়রি। মসি ফাওবা ময়েক শেংনা উবা ঙমদ্রিবা চাউখ্রবা লৈবাক অমগী মীয়ামসি ওইনা অঙকপা পোকই। মীনম্বসু মাল্লি, পঙবসু মাল্লি, মপুক ফত্তবসু মাল্লি, চাওখত্তবা লৈবাক মচা তাবা ৱাৎপা লৈবাক ওইনা উহল্লি হায়গনি। দেমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক ওইরবসু নোংচুপ থংবা, ময়ায় থংবা ষ্টেটকী মীয়াম্না নোংপোক থংবা ষ্টেটকী মীয়ামসি মান্নবা থাক্কী মী ওইনা লৌদবা, শম্বল ঙাকপা হুই-য়েন ওইনা লৌরুবগীনি হায়নরক্লি। ৱাহৈনা নত্তবা থবক ওইনা উনরক্লবনি।

ৱাখল তামিন্নবককা হায়রগা য়ানগদৌবা মান্দে, হন্থনা য়েংবদু ৱাহৈদা য়াওদনবা, ৱা ঙাঙদবসু য়াওরিবনি। ঙাক শেন্দ্রে হায়দুনা হৈ-শিংবা শারগা হঞ্জিন-হঞ্জিন শৈরেং থিবগুম থিনরগা করি তৌবা তারি খঙবা নত্তে। ৱারীদা হেন্না খঙবা তান্নবগী মওং অমদা তাওদুনা লৈনরগা তৌগদৌবা থবক্লা করিনো খঙবা মীদি উদ্রি খল্লি। থবক তৌবসু এথনিক খায়দোক্লগা তৌরিবসি ঈগী ৱাথোক লৈরি হায়রিবনি। ইন্দিয়াদা মর্জ তৌদ্রিঙৈদগী এথনিক্কী প্রোব্লেম লৈখিবনা ঙসিদি এথনিক ক্রাইসিস মখা শমথরকই হায়বসি খঙদনা ৱা লোইশিনবা ঙম্নরোইদৌরি। এথনিক্কী চায়নবা অমা মীয়াম মরক্তা লৈবসিনা মমৈদা লালহৌ ওইনা উরকপনি। মদু নমথনবা য়েক্লবা ওইনা লৌরগা মীওই কয়া হাৎখ্রবনি, ফোংনা য়েক্লবনি হায়রগা মশাগী ইমুংদা-মাঙ্গোলদা মচা-মশু ইমুং-মনুংগী মমাঙদা হাৎখ্রবনি। ৱাখল্লোন অদুমক অচুম্বনি খন্দুনা মখা চত্থরবদি লৈবাক-মচা-তাদবা ৱায়েল হায়বদু ওইগদৌরিবনি। মদুদি খঙবা শারগা লাউরগা লৈবা করি কান্নগদৌরি। লৈবাক্কীদি তৌগদৌবা তৌরে, ঙাকপীদ্রে হায়বসু য়ারে। লান হৌববু অসুক কুইনা মতম চঙবা হৌনব্রা। মদু লোইশিন্নবনি হায়রে। লোইরোইদবা ওইরবদি লান হৌবনি হায়বা য়াদে। য়েক্লবনি হায়না লৌরগা শোন্থহনবা পাম্বদি মশানা তারকই। চৈখৈ অমা তেনশিনহনগে হায়রবদি মনাক্তা খরা হেন্না শাংবা চৈখৈ অমা চিংশিন্নরিবনি। অদুম তেন্না উনবা অহুম থোক্লা থুগায়গে তৌরকপনি। মাগী-মাগী মায়কৈদগী অচুম্বনি হায়রিবনি। মী ওইনা উদবা অমা য়াওরি, ঙমজদ্রগা মুৎচখিবা মশানা তাবনি। মরক অদুদা এথনিক্কী লান অমনা খাবৈ-খারা শানরিবনি হায়বা খঙদবা য়াদবনি হায়গনি। মৈ হৌনরকইবসি মৈখেৎ মৱদ অমা তকখায়রুবগীনি। য়ূম য়াওখিবা য়ারিবনি। শোয়রিবসি য়ূম্থুনি, য়ূমদি য়ূম্থুনা ঙাক্কদৌবনি, চুম্বা-লানবা হায়বা লৈতে।

ঙাঙবা ফজবনা থবক ওইরগনি হায়বসু লৈতে। মীয়ামদা শিন্নবিরো হায়নরিবসিবু করম্বা মীয়ামদনো, য়েক্লবা ওইনা লৌবা য়াওরবদি শিন্নবিরো হায়বা য়াগদৌরিব্রা? হৌজিক্তি মপুক ফত্তবা য়াওনবদগী সেন্টরনা ষ্টেটতা ইনশিল্লি, ষ্টেটনা সেন্টরদা ইনশিল্লি হায়নবা য়াওনরি। অশোয়বদু হৌদোং মথী উৎনা খুমজিনবগুম খুমজিনবা য়ানবা হোৎনরি। চেক শুবা মীনা চেক থুদেকপগা চা গ্লাস চাম্বা মীনা গ্লাস অমা থুগায়বগা ৱাখল্লোন মান্নবা য়াবা হৌনদে। খঙহন্দনা থুগায়খিবা য়াওরিবনি। ৱা ঙাঙদনা। মদুমক্তি মপূ ওইবগী ৱাখল্লোন নত্তে, মোনার্কিজম মাল্লকইবনি।

পূন্নবা হায়নরিবসি পূনবা হৈত্রিবগীনি, পূল্লগসু করিসু তৌবা ঙল্লোই। পূন্নবগী লৌশিংসু য়াওদ্রি, থবক্কী লৌশিংসু য়াওবা উনদ্রি। কাঙলূপ শাগৎলগা হাৎনরিবসি পূন্নবনি, পূনবগী মওংদু লানবগী ৱাতনি। মীথিঙ্গাই ময়াম মরক্তা মাগী-মাগী কাঙলূপ্তা পূনবগী য়াদবশিং শীঙজংনা মঙক ককপা, নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎপদি চৎনবী ওইদুনা লাকখ্রবনি। ঙসিগী লান অসিসু পূন্নবগীদমক মী হাৎনরিবনি। পূনবদি পাম্বা কাঙলূপ মান্নদে হায়বগী হাৎনরিবা নত্তবরা? মসিবুনি পূনবা হৈতবা হায়রিবসি। তিনশিন্নবা-তোৎশিন্নবা নৎত্রবসু লৈমিন্নবদি য়াইদনা। মদু ফাওবা হৈতবদগী তোঙান চাবা পাম্নবদগী হাৎনরে। মসিবু মীওইবগী লৈবাক-মচা তাবা শাজৎনি করম্না হায়গদৌরিবনো? ইকায়বা খঙদবদুদি লায়বু লায়রিবনি, মীওইবা খুন্নাইগী খুমাঙ চাওখৎনবা শাজৎনি করম্না হায়গদৌরিবনো। লম্বী খরা শেম্বা, ফুরা-দলান খরা শাগৎলগা লোইবা নত্তে। মালেমগী মচি-মচি কয়াদা লান হায়বদু তৌনরগা ফুরা-দলান কয়া উফুল ওল্লিবসি উনরিবনি। মদুগী মতৌ তমজরিবা হায়দুরা।

মওং অমা নৎত্রগা অমদা লৈমিন্নদবদি য়ারোই, কাংলূপকী থাক্তগী ৱাংখৎনা ৱাখল খনবা ঙমদবশিংনা হিংমিন্নবগী ৱাখল শাগৎপা ঙমজদবনি। অপঙবনা লাঙ্গোয় ওইরুবগীনি, ৱাথোক অদুমক থোক্লগদৌবনি। অমনা অমবু লাল্লি খন্নরিবমখৈ খৎনখিগনি, অচুম্বা পুথোকপসু ঙমখিরোই। ঐখোয়সি মীনি হায়বসি করমদৌনা মালহনগদগে খঙনদ্রিবনি। অৱায়বা কোট-টাই খরা শেৎ-চাজরগা অৱাংবা থাক্কী মীনি হায়বসি চৎনদবা-য়ানদবা লমদম ময়াম অমসু লৈরিবনি। উ থাবগী এনভাইরনমেন্ট ফরগা ঐগী এনভাইরনমেন্ট ফগৎপা য়ারোই। নাপলগী খম থেংবা এনভাইরনমেন্ট অমদা মোরেলগী এনভাইরনমেন্ট অমা লৈবা হৌনদে। কোক পীকপশিংগী মালেম অমা লৈবা হৌনদে। মখোয়গী অখুবা মিৎয়েংদা মীয়াম বেশোন শাখ্রবনি। হৌখ্রবা লানশিং অসিনা পাড়া ওইরগা হিংবগী মমল ৱাংনবা হোৎনবদু মীওইবা খুন্নাইগী তঙাইফদবনি।

মালেম অসিগী খনবা ঙমদ্রবসু ইশাগী তঙ্খায় অসিদা এসিয়া অসিগী খা নোংচুপকী লমদমদা লৈরিবা মীওইশিং অসিদি য়াম্না শোত্থহৌবা য়াওরে। তোন্থনা হিংবা ফাওবা ৱারে। কাঙলূপ শাগৎনরগা ফগৎলক্কনি হায়বদি লৈতে। ৱাখল থেনবনা য়ারোই, ৱাখল খূৎখন হোংদোক্লগদৌবনি। নায়রিংলেজগী থৌনা লৈবনা য়ারগনি খনবা লানগনি খল্লি। কপচেৎপীগী হৌনবা য়েংবীদ্রে, কনবীদ্রে হায়বনসু কান্নবা ফংগনি হায়বা লৈতে। মচা-মচন ফাওবা নুংশিনা য়েংবা ঙমজদ্রবা মন্ত্রি-ফাত্রি ময়ামসিনা ঙাঙবা তানীংদে হায়বা য়াওনরিবনি। অচৌবা শারগা মীরোল থুংদবগী ৱাসি তোক্লরসি।

লৈঙাক্কী তৌগদৌবা তৌরি, সিফাইগী তৌগদৌবা তৌরি, ষ্টেটকী তৌগদৌবা তৌরি। চেনগদৌবা চেন্নরি, ঙাঙগদৌবা ঙাঙনরি, শিবসু য়াওনরি। তৌগদৌবদু তৌররোই খঙলবনি। মীয়াম্না তৌগদৌবদু খঙদবনি হায়রগনি। তৌগদৌবদু খঙবা ঙমজদ্রগা তোকচরেদনা, মাঙজরেদনা, মুৎচরেদনা হায়রবগুম্বনি। ঙাঙলিবা-লাউরিবা ময়ামসিগী মথৌবু করি লৈরিবগে হংনরক্লবনি। কাঙলূপ শাগৎপগী থাক্তা লৈনরিব্রা? মদু খক্তনদি ওইরোই হায়বা খঙনরিবনি। ●

# মমাঙঙৈগী মীতৈ মশান্না

- লাইশ্রম ব্রোজেন্দ্রো -

মালেম অসিদা মীওই কয়া কাঙলূপ খায়না মফম কয়াদা লাইনীং লম্বী তোঙান-তোঙান্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লি। অদুবু হৌজিক্কী মতম অসিদদি মালেমসিদা লৈরিবা মশীং য়াম্লবা নহারোলশিংনা মাগী-মাগী কাঙলূপকী তোঙান তোঙানবা চৎনরোল লৈজরবসু মীওইবনা হিংবদা হকচাং ফনা তিঞ্জেন-লাইচেন্দনা পূন্না পূন্সি নুংশাংনা লৈমিন্নবা য়ানবগীদমক অমদি চাউরবা মালেম অসিনা ইমুং-মনুং অমত্তা ওইবা খোঙথাংদা শান্নবগী থৌরম্না পূনশিল্লক্তুনা লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা লাপ্পরম্বা অদু য়াম্না নকশিনহল্লক্লি। মালেমগী মীওইশিংনা শান্নবগী খোঙথাংদা মাগী-মাগী কাঙলূপকী মশান্না পুথোক্লদুনা শান্নরোল কয়া লৈরকপসিগুম্না মীতৈ লৈবাক্কীসু চহী মশীং হায়ঙমদ্রবা মতমদগী হৌনা কাঙলূপ অসিগী নাৎকী ওইবা শান্নরোল মখল-মখল কয়াগী খূৎশান্না লৈজরকই।

মীতৈ ঐখোয়গী শান্নরোলদি পীক্লিবা অঙাংশিংগী খূৎশান্না মখল কয়া, পাখঙ-লৈশাবীশিংগী মখল কয়া অদুগা মপূং মৰৈ ফারবা মীওই অমদি কাঙলূপকী ওইনা অপূনবা শান্নরোলগী মখল কয়া মখল অহুম থোক্লা খায়দোকপা য়াই। পূম্নমক অসিগী মনুংদা অমুক্তা হকচাং ফননবা খূৎশান্না, তুংদা থোক্লগদৌবা ৱারোলগী মশান্না, লাইনীং লম্বীগা মরী লৈনবা খূৎশান্না মখল কয়ানি। মখল কয়া অসিগী মথক্তা লৈবাক শিন থুংনা নিংথৌ মাঙদা শান্নবা খূৎশান্নগী মখলসু লৈরক্তবা নত্তে। মমৈথংদদি মীতৈ লৈবাক অসিদদা নত্তনা মালেম থুংনা ঐখোয়গী শান্নরোল অসি শন্দোকখিবগী মশান্নসু লৈরি।

মথক্তা পনখিবা শান্নরোল মখল অহুম অদুগী মনুংদা অহানবদা নিপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ওইবা অঙাংশিংনা শান্নবা মশান্নগী মখল খরা পীজরি :-

(১) থবী ফুকপী মাইরেল ফুকপী (২) ক্বাক ক্বাক (৩) তোং তোং তোংদুম্বী (৪) খূৎয়াই লোৎপী (৫) কেকু লোৎপী (৬) শগোল তোংবী (৭) ফিবুল হাবী (৮) মরুম কোনবী (৯) চৈতেক কোৎপী (১০) মৈ লৌবী কারৌবী (১১) উরৌউবী (১২) সেবোতি কাওনবী (১৩) ৱা হায়বী (১৪) নোম-নোম শগাইতোং (১৫) নুংশাও শারো (১৬) অমাংকোরি (১৭) খুং খাইবী/থানবী (১৮) শগোল তোংবা থীনেৎপা (১৯) মোইথোকপী মোইথোকপী তাই তাই (২০) উশিনবী অসিনচিংবা।

অমুক্তা খরা পুংকক চাউরবা পাখঙ ৱায়রক্লবশিংগী মশান্নদি : (১) লমজেল (২) চেঞ্জোং (৩) খোংযাই (৪) মাংজোং (৫) মুক্লা (৬) কাংজৈ (৭) খোংবী মাঙজোং (৮) তুংলেপ চোংবী (৯) শনখাঙ লানবী (১০) কৈ-য়েন (১১) অশুম্বী শুমদবী (১২) মচিন-মনাও (১৩) নোলান্দবী (১৪) ঈরোইবা লমজেল অসিনচিংবা মশান্ননি।

পাখঙ-লৈশাবী ওইদুনা মপূং ফারকপদগী মীয়াই চল্লবা ফাওবনা শান্নবা মশান্নগী মখলশিং :- (১) মুক্লা (২) কাংজৈ (খোঙগী) (৩) থৌরী চিংনবী (পৌ চিংবী) (৪) কাং শান্নবা (৫) শগোল কাংজৈ (৬) লমজেল (৭) লিক্লোল শান্নবা (৮) হিয়াং তান্নবা (৯) শুক লংনবা (১০) নূঙ লংনবা (১১) লম্বু হুন্নবা (১২) অরাম্বাই তান্নবা (১৩) য়ুবী লাকপী (১৫) তা লংনবা অসিনচিংবা শান্নরোল মখল কয়ানা নাৎকী ওইনা য়েলহৌঙৈদগী তৎনবা থানবা লৈতনা লৈরকই। অদুম ওইনমক মতমগী য়াওলদা অহোংবা কয়াগী শান্নরোল ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা চঙশিল্লকই। অদুগা মশাগী ওইনা অনৌবা শান্নরোলসু থোরকখি মদুদি :- কবাদ্দি, খো-খো, তে তে তেনৱা। মখোয়শিং অসি ইকুইমক কুইদ্রি। অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা লাকখি।

অসিগুম্বা শান্নরোল মখলশিংগী মনুংদা থায়নগী ইপা-ইপুশিংনা কাঙলূপ অসিগী অঙাংশিংবু লাইনীং লম্বীগা মরী লৈনবা অদুগা তুংদা থোররক্লগদবা থৌদোক্কী ৱাফমগা মরী লৈনবা শান্নরোলশিং তম্বীদুনা মী অমা ওইনা ৱাখল লৈরবা মতিক চারবা লৌশিংগী মঙালনা তাশিল্লবা মীওই ওইবদা নত্তনা লৈবাক্কী ওইনা থৌদাং য়ারকপা য়াবা শান্নরোলশিং/মশান্নশিং লৈজরকই। লৈবাক অসিদা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা মুক্লা, কাংজৈ, কাং অমসুং শগোল কাংজৈ মতমগী মওং য়েংদুনা তত্তনা চত্থনরি।

শগোল কাংজৈগী মরমদা খরদং পনবা তারবদা লৈবাক অসিদা শগোল কাংজৈ শান্নবসি কয়া কুইরবগে অদুগা শগোল হায়বসিনা লৈবাকসিদা কয়া কুইনগী মমাঙদগী লৈরক্লবগে নৈনফম থোকই। অদুবু লৈবাক অসিদা শগোল লৈরকপগী ৱাফমদি লৈশেল্লকপা মতমদা ওংলৌতোন লৌথিবনা শগোল ফাদুনা (মতুং) মশোং কক্লগা শীজিন্নরকপগী ৱাফম থাংমৈরোল কৌবা পুয়ানা (মার্জিংগী মরমদা ইবা) মখাগী অসুম্না পল্লি।

“খোইয়ম লাইয়িথৌ থাঙৱাই মার হনবা চীংঙু ওংচা চীংমাপ ওংলৌতোন লৌথিপানা লাংকোই সাকোল অপাইপা সামতোন অয়াঙপপু পাইখিরাকানে হায়না হাওমুকনা লেংফাইচল মোংপা তাচিল খুরৌ য়েৎনা লাংকোই মখোঙ মশা থেকনা ৱারক থৌপাউ তমপিপা তাইপঙ নমু পোংপাচাকী য়াওয়ৌ সাচিতেংকা মান্নকানে হায়না থৌতমখিয়ে”।

মথক্তা পল্লিবা লাই অসিগী মিং হৌজিক্লা মারজিং হায়না খঙনরি। অসিগুম্বা লাই হাক্তগী লৈরক্লবা শগোল শীজিন্নদুনা শগোল কাংজৈ শান্নবগী মমি তাবসিমক খ্:কী মমাঙ চহী লিশীং কয়ামরুমগী মমাঙদগী হৌরক্লে হায়বসি মীতৈগী লাই হরাওবা খুদিংদা কাঙলূপকী চৎনবী ওইদুনা কাংজৈ কাংহু অমসুং কাউদ্রুম কৎনরি। অসিগুম্বা শগোল কাংজৈ শান্নবসিমক মীতৈগীদি লাই ১৪না লূপ অনী থোক্লা খায়রগা অৱাং য়ৈবা মখা য়ৈবা শান্নরোয় ৭/৭ লাইশিংনা কাংজৈ শান্নরকই।

মতম অদুগী লাই হাক্তক্তা শান্নবা য়াওখিবা লাই শান্নরোয়শিং মখা য়ৈবা অমসুং অৱাং য়ৈবা লাইশিংদি :-

| মখা য়ৈবা | অৱাং য়ৈবা |
| --- | --- |
| ১) মারজিং (পনঙাকপা) | ১) থাংজিং (পনঙাকপা) |
| ২) খমলাংবা (পনঙাকচঙ) | ২) খোরিফাবা (পনঙাকচঙ) |
| ৩) ইরুম নিংথৌ (পল্লক) | ৩) ৱাংব্রেল (পল্লক) |
| ৪) ইকোপ নিংথৌ (লাংজৈ) | ৪) য়াঙ্গোই নিংথৌ (লাংজৈ) |
| ৫) ইরোং নিংথৌ (পল্লক) | ৫) নম্বুল লাকপা (পল্লক) |
| ৬) নোংশাবা (পঞ্জেনচঙ) | ৬) ওক্লরেল (পঞ্জনচঙ) |
| ৭) পান্থোইপা (পঞ্জেনবা) | ৭) লোয়ারাকপা (পঞ্জেনবা) |

অসুম্না মীতৈ লৈবাক্তা শগোল কাংজৈগী হৌরকফম ওইদুনা শান্নরকপসি হৌজিক ফাওবা মীতৈ লৈবাক্তা মুত্তনা শান্নরি। মসিনা কাঙলূপ অসিগী চৎনবী ওইনা লাই হরাওবা খুদিংদা কাংজৈ কাংদ্রুম লাইদা কৎনরি। মসিমক্লা ফূরুপ অসিগী চৎনবী ওইনা শা-ষণ, শগোলনচিংবশিং নারক্লবদা লাইদা কাংজৈ কাংহু অমদি কাংদ্রুম কৎলগা শা-ষণগী অনা-অয়েক ফাওবা লাইকোক্লবগী পথাপনা মীতৈগী চৎনবী ওইরি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯২

১) **“শ্রীগীতা” (১৯৭৮)** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
২) **“বিশ্ব শান্তি”** (২০০৬) হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? কনানা ইবনো?
৩) **“নুংশিগী ঈচেলদা পৃথিবীগী অচৌবা মীওই খরগী পূন্সি ৱারী”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
৪) **“ফিজিগী লন”** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
৫) **“সীতা”** (২০১০) হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।